হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, জুলাই ০৭, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ১০২শুবা মশীং

# হৌদোকপদি লায়, হিংহনবা লুই থৌওইনা ওইহল্লকখিব্রা, করিগীনো

মণিপুর নৎত্রগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লবু ওইরো সেক্টর খুদিংমক্কী ওইনা লিংলিবা লোয়শঙশিংসি মীয়ামগীদমক তঙাইফদনা মথৌ তারকপদগী লিংবা ঙাক্তনি। লোয়শঙ খক্তগী ৱাফম নত্তনা অনা-লায়েংশঙ অমসুং মহৈ-মশীন তম্ফম কয়া লিংখৎলিবা অসিসু মীয়ামগীদমক মথৌ তারকপদগীনি। মসিগীদমক হায়রিবশিংসিগী মনুংদগী খরদি লৈঙাক্লা হৌদোক্তুনা লিংখৎপগী মথক্তা লন্নাই মীওইশিংনা লিংখৎনবসু য়াওই। অদুবু লিংখৎলিবা লোয়শঙ/ইন্সটিট্যুটশিং অদুগী মনুংদগী খরদি মঙম শান্না চল্লাইবা অমসুং মথৌ পাঙথোকপা ঙমদবদগী মথন্তা মূৎখিবসু য়াওই নৎত্রগা থৌওইনা মূত্থৎপসু য়াওই। অদুবু খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি মীয়ামগীদমক্তনি হায়দুনা লিংলিবা লোয়শঙ/ইন্সটিট্যুটশিং অদু চপ-চানা হিংহনবনি। হিংহন্দ্রবদি মদুবু লিংখৎপগী পান্দমদু ফংবা ঙম্লোই। হৌদোক্লম্মী অমসুং লিংখৎলম্মী হায়দুনা ৱারীনহৌবা নত্তনা কান্নবা মচেৎ অমত্তা ফংবা ঙম্লোই। মপান্থোংদা ফজবা মালহল্লগা মনুংদনা হোত্রোঙ হোবগী ফীভমদা ওইরক্কনি। মসিমক্তি তৌরোইদবা-অরানবা থৌওংনি হায়দবা য়ারোই। অদুবু হৌজিক ফীভমসিমক মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট (এম এস এফ টি আই) দা চপ চানা থোক্লরে। মসিবু থৌওইনা ওইহল্লক্লিব্রা নৎত্রগা করিদগীনো? ৱাহংসিগী পাউখুমদি পামদে। মরমদি ৱাহং হংবা অমসুং পাউখুম পীনদুনা অৱাই-অখুম তৌনদুনা লৈবগী মহুত্তা ইঞ্জোল মতোনদা লেপকং কংলগা তুদ্রি হায়বদা ঙাইদুনা য়ুংলিবা উপালগা পাঞ্চক ওইরবা ইন্সটিট্যুট অসি মথ্বায় পালহন্দুনা হিঙ্গৎহনবনা শরুক ১০০ হেন্না ফৈ।

ইন্সটিট্যুট অসি ফিল্মগী লমদা মণিপুরনা য়াহৌ থেংখ্রবসু তেল্লবা চহী খরগী মনুংদা মপূং ফানা লৈশাৎ তন্নক্তুনা ফুগাইনা শাৎলকপা, মালেমগী মীয়ামগী মিৎমাংদা উৎননবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা ফংবা, ফিদা ফংবদা নত্তনা ফিল্মগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংনা হিংনবগী পান্থে ওইজরকপা মীওইশিংগী মশীং নোংম-নোংমগী য়ামখৎলকপদগী কুমজা ২০১৬কী ওগষ্ট ১২দা মতমদুগী মণিপুর লৈঙাক্লা শঙ্গাদুনা হৌদোক্লম্বনি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদগী অসাম য়াওনা ষ্টেট অয়াম্বদা লৈরিবা ফিল্ম ইন্সটিট্যুটশিংগুম্না ফিল্মগী মথৌ তাবা থবক-থৌরমশিংগী মতাংদা খঙনীংবা/তম্নিংবশিংদা খঙহন্নবা/তমহন্নবা কোর্সশিং হাংদোক্তুনা মদুগী কান্নবশিং ফংহন্নবগী পান্দমদা হৌদোকখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি করি শারে? ফিল্মগী ওইবা ইদিটিংগী, সিনেমাটোগ্রাফি, দিরেক্সন, স্ক্রিনপ্লে, কেমেরানচিংবগী মখল অমত্তগী কোর্স অমা ফাওবা পাঙথোক্লমদনা/ তৌরমদনা ইন্সটিট্যুট অসিগীদমক থাগী তোলোপ লুপা লাখ অমা হেন্না পীদুনা চহী ৬ লোম চূপ্না থন্নকখিবা দিরেক্টরদু মথন্তা ইকায়জরক্লব্রা কৈনো মহাক্কী ফমদগী রিজাইন তৌখ্রে। অহিংবগী ওইগেরা, অশিবগী ওইগেরা ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্টরগী থবক-থৌরমশিং আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী দিরেক্টরদা অহেনবা খূৎশুমল য়াওদনা পুননবা কোকথোংনখ্রে। অদুবু ইন্সটিট্যুট অসিগী ওইহল্লক্লিবা ফীভমসিবু করিদগীনো? মসিবু কোংগ্রেস লৈঙাক্লা হৌদোক্লম্বনিনা শ্বর শৎতোক্তবা য়াদে হায়দুনা থৌওইনা হামচৎ-হাম্বোইননা থন্নক্লিব্রা নৎত্রগা চহী ৬ লোম মচি লেঙহন্দনা থন্নক্লিবা অসিবু করিগীনো? মথৌ তাবা শেলশিং লৈতবগী ওইগদৌরিব্রা হায়বনি। শেল লৈতবদগীনি হায়রকপা তারগনা ইন্সটিট্যুট অসিগা নোংমতদা লিংখৎমিন্নখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরদি অৱাবা/অথিংবা পূন্নমক নমখায়দুনা হোৎনরকপনা হৌজিক্তি মশাগী মখোঙনা মরোমদোম লেপচবা ঙন্নক্কদৌরে। মসিবু ফিল্ম অমসুং টেলিভিজনদগী আর্ট এন্দ কলচরনা হেন্না মরু ওইবনি হায়দুনা লৌরবা ফাওবদা আর্ট এন্দ কলচর প্রমোট তৌবদা ফিল্ম অমসুং টেলিভিজননা লৌরিবা থৌদাংশিংসু য়েংবীফম/খন্থবীফম থোক্তব্রা হংনীংই। মতিক চাবা শেলয়ামগী মপু ওইবা ঙমজদবা মণিপুর লৈঙাক্লা মীপূম খুদিংমক লৈঙাক্কী থবক পীবসু ঙমদবনা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিজ চাওখৎনবা মখোঙ শোম্বীরগা মরন্নাই হিংজনবা হোৎনজহনবা য়াদব্রা? তৌগদবা থবক্তি কান্থোক্লগা 'ষ্টার্ট-অপ' স্কিমনি কায়না পংপায়দা পায়খৎপবুদি অফবসু ওইরকপবুদি য়াই হায়ববু তৌগদবা অমসুং তৌফম থোকপদি তৌদে হায়বগী ৱানি। অদুনা মতুংদদি হৌদোকপদি য়াম্না লুদে, মথ্বায় পালহন্দুনা হিংহনবদি অরাইবা ওইদে হায়বসি কাউথোক্তনা খঙজিনহন্নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৫

১) ''তনৌ তনৌবী'' হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) ''দ গাইদ: লমজিংবা'' হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৩) ''শাবন য়ূম্ফম'' হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) "শোল্লবা কোকসিদা পুবদি ঙমজদা/পেনবা নাইদনা থকচিল্লুরে/নঙগী মায়থোঙগী কল্লবা য়ুগী নেশা।/অহিং চূপ্পা খাঙজে চৈনা, নীংজরুবগী/হন্দোক্তুনা/লাঞ্জখিদবা চীনসিদগী/নঙগী নমিং/লেপ্পা লৈতা।'' মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো?

৫) ''নূর বেগম'' হায়বসি কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৮৫ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

মীয়ামগী পূক্নিং পেন্নবা হোৎনবা হায়বসি অরাইবা অমদি নত্তে। নীংঙাই য়াম্না চাউগনবা মীওইবগী পূক্নিংনি। পেনবিরো হায়রগা হেক্তা পেনবীবা ঙমগনদে। অমরোমদা মীওইবগী মীৎয়েং ৱাখল অসিসু মীপূম তিংনা লোইনা অমত্তা মান্নৌ হায়বা য়াবা নত্তে। চপ মান্নবা হীরম অমদা, অমনা অমা খনগনি, অমনা অমা উগনি। ৱাথোক অমা লৈবদা ৱাথোক্তুগী মরমদা মীয়াম অসিনা মানা মানা খনবা ৱাখল্লোন লোমদা চিংশিন্দুনা মখল মথেল কয়াগী আইদিয়া কয়া অমা শুংগৎনরক্কনি। ৱারোইশিন অমা পুরকপা হায়বদুমা লেঙদনা লৈরগা ৱারোইশিন অদু লাক্লবগী লম্বী অদুগী আইদিয়াশিং অদুদি অমত্তা মান্নরোই। অদুগুম্লবা মখল কয়া আইদিয়াশিংনা কুময়োম ওইনা য়োমদুনা লৈরিবা মীওইবগী পূক্নিংবু চাং মান্ননা পেলহনবা অমদি মান্নবা মওংদা নুংঙাইহনবা হায়বসি ফাগি য়াবা নত্তে। মসি শুমাং লীলা অমা শান্নবদা, লীলা অমা পুথোকপদা অমদি লীলাদু শান্নবা চৎনবা, লীলা মফম য়ৌরবদা মীয়ামগা করম্না লোয়নবা, ফিজেৎ লৈতেংদুনা লীলাগীদমক শেম শারকপা, শান্নরিঙৈ তাঙ্কক খুদিংমক্তা অরুবা ঙাক্তনি। তশেংনা হায়রবদা শুমাং লীলা হায়বসিদি শান্নবদু ঙাক্তা নত্তে। শান্ননবা শেম শারকপদগী হৌনা লীলাদি হৌরবনি।

নোংমগী লৈরিবা লীলাগী শো মশীং, মদুগী মতম, পূম্নমক অসি নংনবা হোৎনবা, মীবুসু ৱারৌদনবা লোয়নবা, পূম্নমক লীলা ঙাক্তনি। হোবে হোবে তৌদুনা অমসু অমসু নংনবা, য়ানবা চৎপা হায়বসি ৱাঙাঙদগী শাজৎতগী খুদিংমক্তা লীলা তৌদবা য়াদবা মতাং য়াম্না লৈ। অচুম্বসু ঙাঙগনি অদুগা ওইদবা ঙাঙবসু হৈবা তাই। অচুম্বা ঙাক্তা সুম ঙাঙদুনা লৈদা খুদোং চারোইদবা তাঞ্জা য়াম্না লৈ। অদুগুম্বা তাঞ্জা অদুদা ওইদবা ঙাঙবগী তঙাইফদবা লাকই। ওইদবা ঙাঙবসিমক্তবু ইশাদা করিগুম্বা খরদি ফাওই, হৈনদবা, ইশানা য়ানীংদবা কয়াগী সেন্স ময়াম অমা শোয়দনা ফাওরক্কনি। মদু পূম্নমকশিং অদু কন্ত্রোল তৌরগা ঙাঙলিবা ওইদবা অদু য়াম্না মান্না ঙাঙবা অমদি ঙাঙলিবা অদুদা মীয়াম্বু থাজহনবা হায়বা অসি য়াম্না মরু ওই। মসি হৈতবদি নত্তে, ৱায়োং চারোইদবা কয়া লৈতবসু নত্তে। লীলা মফম অমদা নুমিদাং পুং ১০ হায়নরগা করিগুম্বা মওং অমদগী থেংদোকখিদুনা নোংয়াই মতুং পুং ১দা থুংলুরবদি, মশানা ৱা খরা ঙাঙবা তাবনি। অদুগুম্বা তাঞ্জাদুদা মীয়ামগী অশাওবা পূক্নিংবু থেম্নবা অওইবা খঙদে ওইদবা খঙদে মান্নবা হায়বা হৈতবা য়াদে। তৌবগীদি মসি লীলা য়াওরিবা পার্টিদুগী মী খুদিংমক্তা মসিগী মহৈ অসি হৈতবা য়াই। অদুবু অহৈবা মচিন মৱা চৎপা মী য়াওদবদি য়াদে। ওইদবা য়াম্না ঙাঙলকই, ঙাঙলিবা ওইদবদুনা খুদক্কী ওইবা খুদোংথীবা কয়াদগী ঙাকথোকখিবা য়াম্না য়াওই।

নোংমগী নুমিৎনি, আর্টিষ্ট মশা অদুগী মমিংদি পঞ্জদ্রে। য়াম্না মমিং লৈবা মীশকনি। ঙরাংগুম্বা লীলা শান্নবা হল্লকপদগী ময়ূমদা চৎকনি হায়না চৎখ্রগা ময়ূমদদি চঙদদুনা খুন অমদা চঙলগা য়ু থক্তুনা লৈথোকখিবদগী ঙাওমন্দুনা ময়ূমদা হনদ্রে। নোং ঙাল্লগা অথেংবা পুং ১০গা তারকপদা মীকপ থোক্লগা, অমুক য়ুনীং হন্দুনা খরা থকচিনবদগী অমুক ঙাওখৎলক্তুনা লীলা পুং ১দা হৌগদবনি, পুং ১২দা চৎসি হায়নখিবদুগা লোইনা কাউথোকখিদুনা মখা তানা থকথদুনা লৈথোকখ্রবজাৎনি। শোমদনা ময়াম পূম্নমক্লা বস কাখৎতুনা লীলা চৎনবা ঙাইদুনা লৈরে। পুং ১২ হায়বদুনা পুং ১ ফাওবা লাক্ত্রবদা, ময়ূম তান্না চৎলে। অদুগা ময়ূমগী মীনদি ঙরাং লীলা চৎখিবদগী হল্লকত্রি হায়না হায়রে। ঙরাং লীলা চৎমিন্নরুরগা ময়ূমদা হনখিবদুবু ময়ূমদা হল্লক্তে হায়রবদি করি ওইগনি, করি খনগনি, কদাইদা থিরুনি। লুখ্রবা তাঞ্জানি। ৱারীদু ইমুং মনুং য়াওনা শানরগা, লৈকায়গী তিন্নবা খঙন-চান্নবশিংদা চৎতুনা হংবদসু কনা অমত্তনা খঙই হায়দ্রে। সুমাইনা থিনরিঙৈদা পুংদি ২ ময়া তাথোকখ্রে। লীলাদি মথং মথং নুমিৎতু মরি লৈরিবনি। অহানবা শো পুং ১দা হৌগদৌরিবদুসু লাপপীবা মফমনি, য়াইরিপোকলোমদনি। আর্টিষ্টতুদি থিবা খঙদ্রে। অসুম্না মথা শাদুনা লৈনরিঙৈদা নুপা অমা থেংনরে। মানা চঙশিল্লক্লগা, নোইনা থিরিদুদি খুনদা য়ু ঙাওরগা লৈহৌবনি হায়রকপদগী খুনদু তান্না চৎলে। অদুগা থেমদুনা পুরক্লে। বসতা হাপকৎলে, লীলা মফম তান্না থৌরে। মাদি য়ুদু ফজনা ঙাওরি। চাকসু চাদ্রিবনি, মশাদুসু ফদ্রাক-ফদ্রাক তারে, কমাইনা লীলা শান্ননি। মশানসু ঐ ঙম্লরোই হায়রে। অদুবু মীয়ামগী থৌগলদি তৌদবা য়াদে, তোকএ হায়দুনা হেক্তা তোকপা য়াবা নত্তে। লম্বীদগী চমপ্রা লৈদুনা শুম্মগা পীথক্লে। গ্লুকোজ লৈদুনা থিৎলগা পীথক্লে। দবলরুটি লৈদুনা পীজৈ চফম ওইনবা। য়ু ঙাওবদুবু হল্লবদি হায়দুনা ফনা কন্না হোৎনরগা ফর্ষ্ট শোদু উচিন নাচিন্না নুংঙাই-নুংঙাইতবা শান্নরে। সেকেন্দ শোদদি ঙাওবা হল্লে। অদুবু মতমদি য়াম্না থেংদোকখ্রে। উচিন নাচিন্না থর্দ শো ফাওবা থেংলবসু থেংনা শান্নরে। অদুগা লাষ্ট শোদুগী মফম য়ৌবদদি পুং ১১ হায়বদুনা পুং ১ মতুংদা য়ৌরুরে। মদুদদি মশানা শাওনবা তাবনি। তাঞ্জাদুদা অচুম্বা ঙাঙলিবনি হায়দুনা ৱারীদু লীরুবদা করি হায়রক্কনি। অদুগী মহুত্তা, মীনা থাজগদবা ওইদবা অমা ঙাঙলগা শাওরিবদু থেম্নরগা লীলাদু শানবু শান্নরসু শানবু শান্নদ্রবসু ফীভম অদুদগী নান্থোকপা হায়বসি মথৌ তাই। অদুনা ওইদবা ঙাঙবা হায়বসি তঙাই ফরক্তে।

মতমদুদদি আর্মি ময়াম অমা লৈবগী খুদোংচাবা লৌরগা ফর্ষ্ট শো শান্নরুরগা লাকপদা আর্মিনা নোংমৈ অশাবা য়াওরম্মী হায়দুনা ফাদুনা ঐখোয় য়াম্না কুইনা দিটেন তৌদুনা লৈরুরে। কোন্নথংদা মখোয়গী কেম্প তান্না ঐখোয়সি পুরগা চৎলে। মখোয়গী সী ওদু লাক্ত্রি হায়দুনা ফনা কুইনা ঙাইরগা ৱারী শানবনি। অদুগা থোরকপদা মথং মথং থেংদোকখিদুনা পাম্বৈ লৈতবনি হায়না শোল্লি-শোল্লি মান্নবা হায়নবদা থাজবীবদগী নুংশিবীখিবা থৌদোক লৈখি।

ওইদবা ঙাঙবসিগী অশেংবা থৌদোকসু অদুমক থেংনরকই। ককচীং খুনৌদা লীলা শান্নরুরগা হল্লকপদা থৌবালদা আর্মি কেম্প অমা লৈরম্মী। মদুগী আর্মিশিংদুনা লম্বীদা থৎতুনা ঐখোয় গাড়ীদগী লোইনা কুমথহল্লগা চ্যেক তৌই। নোংঙাল্লমদাইগী মতমনি। মী অমত্তা চৎপা নত্তে। অদুগীসু মথক্তা নুমিৎ হেক তাখিবগা মী অমত্তা মপান থোক্লদবা মতমনি। ঐখোয় নীংথমথাগী মতমদুদা গাড়ী মনুংদা অরূম্বা ফি কম্বল ইন্দুনা, অথাবা ফুরিৎ জেকেট, জর্সি লিৎতুনা চৎপনি। লম্বীদা পরেং শানা লেপ্লগা অমমমতা ওইনা আর্মিশিংনা চ্যেক তৌই। খরা অমনা গাড়ী মনুংদা য়াওরিবা ঐখোয়গী ফিরোল হাপ্পীবা বেগ লোইনা মথং মথং চ্যেক তৌই। খরা অমনা গাড়ী বস মথক্তা কাখৎলগা করি করি য়াওরি হায়না চ্যেক তৌই। অকনবা চেকশিন থৌরাংনি। ঐখোয়গী লীলাদা শীজিন্নবা নোংমৈ (অশাবা ঙাক্তনি, অদুবু মানবদি য়াম্না মানবনি, উনা শারগা, বেরেলগদু য়োৎ হাপ্পগা মান্না শাবনি) মদু বোরা অমদা প্লাষ্টিকনা ফজনা য়োম্মগা বস মথক্তা হেক হেক পুই। মদু থেংনবদগী হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা নোংমৈ ওইরম্বদগী মথক্তা চ্যেক তৌরিবদুনা নোংমৈ য়াওরে হায়না লাউরকপদা মখাদা চ্যেক তৌরিবশিংদুনা নোংমৈ বদনা ঐখোয়দা শুদুনা ফূবা হৌরকখি। ৱা অমত্তা হায়নবা নংনদ্রিঙৈদা উইরি উইরি লাকপা, গাড়ীদা তূম্মগা লাকপা ঐখোয়দা ফূধবা হৌরকপদা মীৎ-না খংশিং শিংনখি। ফূখৈ ফূরগা খরা লৎলকপা মতমদুদা ঐখোয়না কন্না হায়জবদগী নোংমৈদু মুন্না য়েংনবদা উনা শারম্বা, লীলাগী (দ্রামাগী) শীজিন্নবনি হায়বদুদা ফনা কুইনা ফারগা থম্মগা নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌরকপদা থাদোরকপা য়াওখি। কয়াদা খুদোংথীখ্রবনো? লীলা চৎপা হায়বসি ময়াম্নদি নুংঙাইনা য়েংবীবা, অদুগা লীলা পার্টিদুনা মদুদা থেংনরিবা মখল মথেল কয়াগী অৱাবসিদি তম্বগী লোইবা নাইবা নত্তে, থাজবসু য়াবা, থাজদবসু য়াবা অকিবগী মশক ফংলবা থৌদোক কয়া অমা থেংনরিবনি। মসি পূম্নমকশিং অসি ঐখোয় থেংনদুনতা লাকখ্রবনি।●

# মঙলান লৈত্রবদি পন্থুংসু লৈতে

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

য়াম্না লায়রবা, লাইরিক লাইশু মচেৎ অমা মমিৎতা উরকখিদবা, অতোপ্পগী লৌ-ইঞ্জোল শুদুনা মচা ১০ থাক্লবা হোৎনবদা য়ূমহোং তোয়রকখিবা অপোকপা-অপোকপী পলেম পন্থৌ অনীগী কংলাতোংবী খুঙ্গংদা লৈবা লায়র শঙলেন্দা অৱা অনা কয়া থেংনমিন্নদুনা লাকচরবসু তুংদা ঐহাকসু অতোপ্পগুম মী অমা ওইদবা য়াদে হায়বগী মঙলানদুদি য়াওরকই ঐহাক্কী থম্মোয়দা। অদুবু করম্বা মায়কৈদা চৎকনি, করি তৌগনি হায়বদি অমত্তসু খঙলক্তে, পলেম পন্থৌ অনীনা তাকপীরকপসু লৈতে অদুগা ইয়াম্বা, ইচেশিংনসু তাকপীরকপা লৈতে। অদুম ওইনমক ঐহাক্লা তৌরু তৌরুবা হীরম খুদিংমক্তদি পূক্নিং চঙনা তৌরকই, মকোক থোংনবা হোৎনরকই।

পলেম পন্থৌ অনীনা তাকপীরকপা হায়ববু থবক কন্না শুবা, হোৎনবা কনবা অমদি অতোপ্পদা লাল্লুদবা হায়বসিনি। পলেম পন্থৌ অনীগী অৱাবা কয়াদা মতেং পাংদুনা খুঙ্গংদা ষণ শেন্দুনা, চরা নাম্মা হেন চাওরকপনা ইশা ইতোমতা কন্না হোৎনজরকই চঙলু চঙলুবা হীরম খুদিংমক্তা। অসুম্না মপুন্সিদা মমিৎতা লাইরিক লাইশু উরক্তবা পলেম পন্থৌ অনীনা য়োকপীরক্লবসু, চরা নাম্মা চাদুনা, ট্যুসনকা অমত্তা চৎতনা খুঙ্গংদা ষণ শেন্দুনা চাওরক্লবসু থবক কন্না শুবগী হৈনবী লৈরকপা অমদি পুন্সিদা মঙলাল কয়া থন্নকপনা য়ৌনীংবা পন্থুংদি য়ৌবা ঙম্লে ঙসিদি। ঐহাক্কী মঙলান খরগী মনুংদা মঙলান অমদি পি ঐচ দি লোইদুনা ডোক্টর হায়বা মিংথোল অসি ফংবনি।

ঐহাক্লা মহৈ ৱাংনা তমদুনা ডোক্টর হায়রিবা মিংথোল অসি ফংনীংখিবগী মরমদি ঐখোয় ইমুংদা মহৈ ৱাংনা তম্নকপা কনা অমত্তা য়াওরক্তবা অদুনি। ঐহাক্কী হেক মথক থংবা ইয়াম্বা ঙাঙবম মঙলেমজাও লাইরিক লাইশু য়াম্না ফরকই, উরিপোক হায় স্কুল, জোনষ্টোন অমদি শগোলবন্দদা লৈবা পোলিটেক্নিক্তা তক্লকপদা মকোক মথংতা তাদুনা লাকপনি। মহাক অৱাংবা থাক্তা সিভিল ইঞ্জিনিয়ারিং মখা তানা তমনীংখিবনি অদুবু শেল লৈতবনা মখা তানা তমথবা ঙমখিদে। অসুম্না মখা তমনীং তমনীংনা তম্বা ঙমদনা পোলিটেক্নিক্তা দিপ্লোমা লোইরগা জুনিয়র ইঞ্জিনিয়র ওইনা থবক তৌবা হৌখিবনি। মতৌ অসুম্না ঐহাক্লা জে এন য়ুগী নেসনল টেষ্টতা পাস তৌরক্তুনা এম এ লোইবা ফাওবা মহাক্লা ঐহাক্কী শেল থা খুদিংগী থারক্তুনা লোইশিনখিবনি। মহাক্কী মতেং য়াওরমদ্রবদি ঐহাক ঙসি টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিদা ইংলিসকী প্রোফেসর অমা ওইজদুনা মশা মউ ফবগী মালেমগী ওইবা ফম্বাক্তা মায় পাকচদুনা মালেমগী মশা মউ ফবগী (বোদিবিল্ডিং) লম্দা ঐহাক্কী ফিদা অমা ফংজদুনা অমদি আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুজদুনা ঐহাকপু শক খঙবিরিবা অমদি ইকায়খুম্নবীরিবা পূম্নমক অসি ফংলম্লোই।

এম এ লোইরবা মতুং মখা তারকপদি ইয়াম্বা মঙলেমজাওগী থবক্লা চাওবসু নত্তবগা মহাক্কীসু ইমুং হায়বদু লৈবনা মখা তানা শেল থাহন্দুনা মহাক্কী মফমদা অয়েৎপা অমুক পীনীংদবদগী শেল থাবা তোকহনখিবনি ইশা ইতোমতা পার্ট-টাইম তৌদুনা হোৎনজরগে হায়দুনা। এম এগী মতুং তারকপদা জে এন য়ুদা এম ফিল তৌবগী চহী অমদি ইয়াম্বা অহুমশুবা ঙাঙবম ইবোচানা মতমদুগী মণিপুর লৈঙাক্লা শঙাইথেললোমদা চীংমাই হোঙনা য়োন্থোকপা মতমদুদা লৈহৌবা লম মচেৎ অমা য়োন্থোক্তুনা শেলগী মতেং পাংলকপদুনা লোইশিনখি। এম ফিল চহী অনী তৌগদবনি অদুবু ঐহাক্কী এম ফিল কোর্স ৱর্কতা মার্ক ৭০গী মথক্তা চৎলি হায়দুনা ঐহাকপু দাইরেক্ট পি ঐচ দি তৌবা য়াহনখিবনি জে এন য়ুদা। অতোপ্পা মঙলান অমনা শান্ন-খোৎনবা পামজবা মীওই অমা ওইনা মিষ্টর এসিয়া ফংবগী মঙলানসু লৈজরকখি। মিষ্টর ৱর্ল্ড ফংবগী মঙলানদি কোন্না লৈরকখিবনি মিষ্টর এসিয়া মিংথোল ফংলবা মতুংদা।

চহী মঙা চঙনা পি ঐচ দি লোইশিন্নবা হোৎনরকপদা ঐহাক আইননা য়াবা অফং অফংবা পার্ট-টাইম থবকশিং তৌরকখি। নাইন্টিন নাইন্টিজগী অদুৱাইদা দেল্লীদা (ইন্দিয়াদা) অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী মল্টি-নেসনেল কম্পেনিশিং হৌজিক্কুম য়ৌরকত্রিবনা পার্ট-টাইম থবক ফংবা য়াম্না ৱাই। ঐহাক্কী মঙলান পি ঐচ দি ফংনবা হোৎনবদা পার্ট-টাইম থবক কয়া তৌরকপশিং অদুগী মনুংদা ইন্দিরা গান্ধী নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পেসেঞ্জরশিংদা সর্ভে তৌবসু অমনি। অদুবু থবকসি য়াম্না তাঙনা থোকপনা শেল নীংথিনা তানবা ঙম্লক্তে। অতোপ্পা থবক অমনা ইংলিসকী ট্যুসন পীবনি। ট্যুসন পীবসিসু চাং নাইনা তাকপীবগী তাঞ্জা ফংলক্তে, মরু ওইনা জে এন য়ু মনাক্তা লৈবা মহৈরোয়শিং। লাপ্না চৎতুনা তাকপীবদি পাল্লক্তে ঐখোয়গী অৱাং নোংপোকলোমগী মীওইশিংদা মেনলেন্দ ইন্দিয়নশিংনা য়াম্না উশিত্তনা করেম্ননা য়েংলকপা মীৎয়েং অদুনা। লোইনমক্তি নত্তে। মখোয়না ঐখোয়বু কয়াম উশিত্তবগে হায়ববু, মশাগী লম লৈজদবা, লম্বীগী নাকলদা তিননা অফং অফংবা পোৎ চৈ শীজিন্নদুনা লৈবা মীওই ফাওবনা ঐখোয়বু হন্থনা য়েংলক্লিবনি। অদুবু হৌজিক্তি করম লৈরিবা খঙদ্রে চত্তবা কুইরে। অতোপ্পা পার্ট-টাইম থবক অমনা জিমদা জিমগী ত্রেনর অমা ওইনা থবক তৌরকপা অসিনি। মসিদসু অয়াম্বা জিম মপুশিংনা পাম্বসি ফুল টাইম থবক তৌবদুনি। অদুবু ঐহাক্কী পুন্সিগী পান্দমদি অদুম্না জিমদা থবক তৌবদু নত্তবনা অয়াম্বা জিমদা থবক তৌবা তোকখি। মসিগী মথক্তা দেল্লীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং, কৈথেল অমদি ওফিসনচিংবদসু চৎতুনা মপান লমদগী পুশিল্লকপা কলম, নেক টাই অমদি অতৈ পোৎলমশিং য়োনবা য়াওরকই। এভর্টাইজ তৌবগী ওর্দর লৌনবসু শাখ্রবা দেল্লীগী মৈশালক্তুদা নোংমা চূপ্না চৎতুনা ওর্দর লৌনীংব্রা হংবা চৎখি অদুবু ওর্দর অমা ফাওবা ফংবা ঙমদনা হল্লকখি। নোংমা চূপ্না মৈশালক্তা চৎলুবগী শেলসু সিকি অমা ফংখিদে।

অসুম্না তোঙান তোঙানবা অফং অফংবা পার্ট-টাইম কয়া তৌদুনসু থবক মরাং কায়না লৈখিদবনা শেল কোন্নবা হায়বদুমদি লৈখিদে। মসিনা মরম ওইদুনা ঐহাক্কী হোটেলগী মেস বিলসু মতম চানা পীবা ঙমখিদে। জে এন য়ুদা তল্লিঙৈ মিষ্টর দেল্লী মিংথোল মরিরক অমদি মিষ্টর নোর্দন ইন্দিয়া মিংথোল অহুম্লক ফংদুনা মকোক তাখিবগী মিং চৎপদা নত্তনা হোটেল মেস বিল মতম চানা পীবা ঙমদবগী চাক চাবা য়াদ্রে হায়না হোটেলদা ইভিক্সন লিষ্ট থোকপদসু ঐহাক্লা থা খুদিংগী মকোক তাদুনা মমিং চৎখিবনি। শেল লৈতবনা ফিরোলসু দেল্লীগী রেদ ফোর্ট মনীংদা লৈবা সন্দে মার্কেটতুনা ঐহাক্কী শোপিং মোল ওইখিবনি কনা খঙহন্দনা। পূম্নমক অসি থেংনদুনসু অখাং কন্দুনা লৈথখিবনি ঐহাক্কী মঙলান পি ঐচ দি লোইদবা য়াদে হায়দুনা। ঐহাক্কী মঙলান অদু য়াওরমদ্রবদি য়ৌরম্লোই ঙসিগী পন্থুংসিসু।●